হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মে ২৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৫৭শুবা মশীং

# অফবা থবকশিংনি

## য়োংলৈ মেলৈ নাইদনা চখৎরকউ

মণিপুর খুন্নাইসিদা কনাগুম্বা অমনা অফবা, অচুম্বা, কান্নবা থবক অমা তৌথোরকপদা অফবনি, অচুম্বনি অমসুং কান্নবনি হায়দুনা থাগৎপীবদি লায়রদনা মখোয়-মখোয়গী চিন্দোন-লৈতোন্দা ফাওবা পকপীদে। অদুবু ফত্তবা, অরানবা অমসুং কান্নদবা থবক-থৌওংশিং তৌরক্লগনা লৌখৎপা য়াদবা মখৈ পিদ্রিৎ থোক্লা হঞ্জিন-হঞ্জিন চৈথেৎপী, ঙাওথৎপী, মী ওইবগী ৱা ঙাওবীদে। ওইরিবা খুন্নাইসিগী মচৎসিদা তঙ্খাই অমদি তৌরোইদবা, ওইহল্লোইদবা অমসুং থোকহল্লোইদবা ফীভমনি হায়বা য়াই। মরমদি ফৎত্রগা ফৎত্রে হায়না হায়বা ঙল্লিবা অদুম্মাইনা ফরগসু, অফবা-অচুম্বা তৌরকপদসু ফৈ হায়না হায়বা ঙমগদবনি। ফরগা ফৈ হায়বা অদুগা ফৎত্রগনা ফত্তে হায়বা ঙম্বগী থৌনা লৈবদুবু অশেংবা, ওইফম থোকপা মী ওইবগী লিচৎনি হায়গনি। অফবা তৌরকপা মীওইদনা ফৈ হায়বিদবা অদুগা ফত্তবা তৌরক্লগা ফত্তে হায়বগী থৌওংদি চুমদে। হন্দক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন মশামক্না ইনিসিএটিভ লৌদুনা লৌখৎলক্লিবা থবকশিংগী মনুংদা য়াম্না ফবা, ফজবা, অচুম্বসু ওইবা অদুগা লৌখৎফমসু থোকপা থবক খরা য়াওরক্লে। থবকশিং অসিগী মনুংদা মরু ওইনা পনবা য়ারিবশিংনা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরশিংনা রুলগী ৱাংমদা মখা থাবা রাইফলমেন/কন্সটেবল অমসুং পর্সনেলশিংবু মরন্নাইগী ওইনা শীজিন্নরম্বদগী চপখাইদুনা তকখাইরকপা, সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌরকপা অমসুং গভর্ণমেন্টনা মসিগী এমপ্লোয়ীশিংদা মথৌ তাবদগী পীরিবা ক্বার্টরশিংবু অতোপ্পা লৈহনফম থোক্তবা মীওইশিংদা শান্দোক্লগা লৈহল্লম্বশিংগী মথক্তা উকাই তকথরকপসিনি। থবক অনীমক য়াম্না ফবা, তৌফম থোকপা, তৌদবা য়াদবা থবক ঙাক্তনি, তৌগদবনি। মখা তানা শিৎ নান্না, পুমতেং তেংথোক্ত্রিবা ফাওবা চখৎখিগদবনি। লৈবাকসিদা লো লৈরি, চৎনরি। লোগী মথক্তা কনামত্তা লৈতে হায়বসি গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীশিংদগী হৌরগা খঙহনগদবনি। খঙদবা অমসুং খঙশিন্নদবা য়াওরক্লগনা মমিৎ-মমিৎতুদা খুদোম্বী থিন্দুনা খঙহনগদবনি। খঙশিন্নদবগী চৈরাকসু পীগদবনি। অনীমক অফবা থবকশিংনি। ফৈ হায়না থাগৎপীগদবনি।

অদুবু অসুক ফজখ্রবা, অচুম্বা, তৌফম থোকপা থবকশিংসিগী পান্দম মপূং ফানা ফংদ্রিবা ফাওবা য়োংলৈ-মেল্লৈ নাইদনা চখৎরকখো হায়বনি। থবকশিংসি হৌজিক চখৎরকপদা অচান-মীরাই নাইরে, মীচং-শঙ্গ খায়না থবক তৌরে হায়বা নত্তে। অফবা থবকশিং তৌথোরকপদা হান্ননা হেক্তা নেগেটিভ ক্রিটিসিজম পীবগী ৱাফমসু নত্তে। মখা তানসু চখৎরক্তুনা অরানবা থবক অনীমক তৌবা য়াদে, তৌরোইদবনি হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লু হায়বগী ৱানি। মরমদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিগী অহানবা টর্মগী ৱাশক লৌদুনা লিংলকখিবা ইকুই-কুইদ্রিঙৈদা পুলিস দিপার্টমেন্টকী পর্সনেলশিংদা ইস্যু তৌনবগীদমক সপ্লাই তৌরম্বদা শউনগী মহুত্তা ষন্থি চেগী পেটিশিং সপ্লাই তৌরম্বগী থৌদোক লৈঙাক্তুদসু হোমগী থবকসু পুখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হকথেংননা য়েংশিন্দুনা ফাগৎখি। লৈবাক শরা শনখি। চেন্নবা সপ্লায়রনি হায়বা মীওই অমা ফাগৎতুনা পুলিস কষ্টদিদা ফাওবা রিমান্দ লৌখি। চেন্নবনি হায়বা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসর খরগী মথক্তসু ইনক্বারি ইনিসিয়েট তৌখি। অদুবু খ্বাইদগী শাথীবা, শেঞ্জা থুমজাগসু মরী লৈনবা ৱাথোক্তুগী ৱারোইশিন অমসুং অরোইবা ৱায়েলগী ফীভম হৌজিক কদাই য়ৌখ্রবগে? ৱা লোইরে। অদুম্মাইনা থোকহল্লক্কনু হায়বনি। লৌখৎলক্লিবা ফজখ্রবা থবকশিংসিসু ষন্থি চেগী পেটিশিং সপ্লায় তৌরম্মী হায়দুনা ফাগৎখিবগী থৌদোক তাহন্নীংদে হায়বনি। মরমদি মণিপুরদা মীয়ামগী ৱায়েল চুপ্লি পায়খিবা লৈঙাকশিংনা অফবা অমসুং অচুম্বা, তৌদবা য়াদবা থবকশিংনি হায়দুনা অহানবা হৌদোরকপদা বোম্না হৌবগী ফীভমদা তৌরক্লগা মমৈ তারকপদা পোক্লাওবীনা লোইশিনবগী ফীভম থেঙ্খাং কয়াদা মীয়াম্না হকথেংনখ্রে। মরম অসিনা হন্দক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লৌখৎলক্লিবা অফবা থবকশিং অসিদি শুরু-শুরুদা লোইশিনহনখিনু হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪২

১) কালিদাসকী **''রঘুবংশ মহাকাব্য''** হায়বসি মীতৈ শৈরেংদা কনানা হন্দোকপগে?

২) **''সেঙ্গোই সনা''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) পণ্ডিত নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্রগী পুন্সি অমসুং মহাক্না লীবিরম্বা ৱারীশিংদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইবা লাইরিক্তুগী মমিং করিনো অমসুং কনানা খোমজিনবনো?

৪) **"নুংঙাইফম খঙদে-/নঙগী ৱাখলদা মঙ মঙবদা।/নুংঙাইফম ফংখিদে-/নঙগী মিংদা ডিপোজিৎ হাংঙুবদসু।''** শৈরেং মতেক অসি মপাল লমগী মচিন তুমখৎলক্লিবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''হে পারী! নপন্ ঐগী ইহকচাংসে খাম্ পি মৈদা ঈকলো। মালেম্ লৈরোল, মাপন্ না 'কৃ' বু শাও। কোরৌ নোংলোল্ মাপন্ না 'থক্ খল্' শেমলো। থক্ খল্ মখোঙদি 'থংচিং, মারজিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু' মরি অসিনা ওইও।...''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### ওন্নখিবা

পাউচে অসিগী ঙরাংগী লমায় ৫দা য়াওখিবা 'কোরৌহনবগী মশেক মঙালদা কালেন আর্ট এগজিবিসন - ২০২২' হায়বা আর্টিকল অসিগী তরুকশুবা পেরেগ্রাফকী মঙাশুবা লাইনদা য়াওবা **'চৎহন্নীংদবা'** হায়বদু ***'চৎহলনীংবা'*** হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোংদোকচরি। - *প্রুফ রিদর*

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ
ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q. ইফেক্টিভ মাইক্রোওর্গানিজম (ঈ এম) সোল্যুসন য়ূমদা করম্না শেম্বা য়াগদগে?

- রাজেশ মৈতৈ
<rajeshmeitei78@gmail.com>

☞ ইফেক্টিভ মাইক্রোওর্গানিজম সোল্যুসন (ঈ এম সোল্যুসন) হায়বসি মহৌশানা ঐখোয়গী অকোয়বদা ফংলিবা কান্নরবা মখল কয়াগী হিংকুপশিং (৩০ মুক) পুনশিল্লগা শেম্বা লৌউ-শিংউদা অমসুং অতৈ থৌরম কয়াদা কান্নবা পীবা ঙম্বা পোৎলম অমনি। মসিদা Photosynthesizing bacteria, Lactic acid bacteria, Yeasts, Actinomycetes অমসুং লৌউ-শিংউগী লেমখাকশিংবু মপূং ফানা পথহনবা ঙম্বা কোকফাই কয়া অমা য়াওই।

মরমশিং অসিনা মখল কয়াগী হিংকুপশিং অসি য়ূমদা পুথোক্নবা হোৎনবা অরায়বা ওইদে। ঈ এম কলচর ওইনা লৈবা তারকই। মখল কয়াগী ঈ এম কলচর লৈবা ফংলে। মমিং লৈরবা মতুংদা হিংকুপশিং অসিগী মপাঙ্গল অমসুং মশীং হেনগৎহনগনি।

ঈ এম কলচরশিং কাপথোক চাইথোক্লগা লৈবাক্তগী পোক্লকপা লায়না থোকহনবা ঙম্বা হিংকুপশিংবু নমথহল্লি, লৈবাক্তা পাম্বীগী মচিঞ্জাক হেনগৎহল্লি, পাম্বীগী মপাঙ্গল হেনগৎহল্লি অমসুং লৈবাক্তা কান্নরবা ওর্গানিক কম্পাউন্দ কয়া অমসু হেনগৎহল্লি।

শেম শাবা : ১) মখুম চেৎনা খুমজিনবা য়াবা প্লাষ্টিক বোট্টল অমা লৌগনি। অপাম্বা চাংগী মতুংইন্না চাওবা পীকপা খেন্নবা য়াই। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং বোট্টলগী তঙ্খায় য়ৌনা হাপকনি (৫০%); লিটর অমগী বোট্টলদা মিলিলিটর ৫০০। লিক্লিগী শীজিন্নরোই; মনুংগী প্রেসর হেনগৎলকপদা কায়খিবা য়াই।

২) সলফর য়াওদবা অমসুং খরা হেন্না লোল্লবা মতুংদা শেম্বা চিনি অঙাংবা (৫%) লিটর অমা চনবা বোট্টলদা গ্রাম ৫০ হাপচিনগনি। চিনি অঙাংবগী অচাপোৎ অয়াম্বা কোকফাই কাদনবা সলফর হাপ্পী। সলফর য়াওরবদি ঐখোয়গী অফবা কোকফাই হাৎখিবা য়াই।

৩) চিনি অঙাংবদু ঈশিংদুদা তুমহল্লবা মতুংদা লৈরকপা ঈ এম নৎত্রগা মাদর কলরদু মিলিলিটর ৫০ হাপচিনগনি (লিটর বোট্টলদুগী ৫%) ঙাইহাক নিক্তুনা চাং মান্ননা শন্দোকহল্লবা মতুংদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংনা লিটর অমা ফানবা হাপচিনগনি। লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা ক্লোরিন য়াওররোই। হিংকুপশিংগী মপাঙ্গলসু হেনগৎকনি। ঙাইহাক নিক্লগা ২৭°-৩৭° দিগ্রি সেলসিয়স শাবা নুংশা য়ৈদবা মফমদা চয়োল অমা থমগনি। খরা হেন্না ঈংবা মফমদা থল্লবদি মতম হেন্না চঙগনি।

৪) মখুম খজিক লৈথোক-লৈশিন তৌবদা নুংশিৎ থাদোরকপগী মওং লৈরবদি শীজিন্নবা য়ারে। হেন্না য়ামথোকহনগে হায়রবসু চপ মান্নবা থৌরমশিং হঞ্জিন্না পাঙথোক্লগা য়ামথোকহনবা য়াই।

৫) কলচর অদু কয়া য়াম্না ফরবগে খঙনবা পেন টাইপ pH meter (হোঙঙী লুপা ৩৫০ অমসুং মসিগী মথক্কী) অমনা চাংয়েং তৌথোকপা য়াই। হিংকুপশিংনা শেল্লবা হীদাক্তুগী pH 3.0-3.5 গী মনুংদা লৈরবদি য়াম্না ফরে। pH 2.7-3.8 গী মনুংদা লৈরবসু থোইনা কায়দে অদুবু pH 3.8 গী মথক্কী ওইরবদি কান্নবা য়ৌদে।

৬) শেল্লবা হীদাক মিলিলিটর ২৫০না স্ক্ৱার ফুট ২০০০ চাওবা মফমগীদমক শীজিন্নবা কোন্নে। হীদাক শরুক অমনা ঈশিং শরুক ২৫০দা য়ানশিন্দুনা শীজিন্নগনি। চহী অমা ফাওবা শীজিন্নবা য়াই।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*
**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**
**চিঠি থারকফম**
**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**
**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**
**নৎত্রগা**
**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**


# খূৎশেমগী হারশিংনা লৈহাও শিলহনবদগী কলহৌরসি

- এস সুমঙ্গল -

সোইলগী পি ঐচ ($P^H$) হায়বসি লৈবাক লৈহাও অমগী অশিন অয়াক্কী চাং খঙনবা পথাপ/খল অমনি। পথাপ অসিদা চাং অসি ০-১৪ ফাওবা লৈ। পোৎশক অমগী পি ঐচ অসি ৭তা লৈরবদি শীনসু শীন্দবা, য়াকসু য়াক্তবা অচম্বনি হায়না লৌই। $P^H$ ৭তগী হন্থরগনা অশীনবা অদুগা ৭তগী হেল্লগনা অয়াকপা হায়না লৌই। লৈবাক লৈহাও অমা হায়বসি য়াম্লসু শীন্দবা, য়াম্লসু য়াক্তবা ওইরগদি অফবা লৈবাকনি হায়না লৌনৈ। অসিগুম্বা লৈবাক লৈহাওদা পাম্বী অয়াম্বনা নিংথিনা হৌবা ঙম্মী। মালেমগী লৈবাক খরনা অয়াকপা অদুগা খরনা অশীনবা লৈবাক ওই। মফম মফমগী ওইনা খেন্নে হায়বনি। ঐখোয়গী মণিপুরগী লৈবাক লৈহাও অসি মহৌশানা মরম কয়াদগী অশীনবা লৈবাক ওই। অদুবু লৈবাক অদুবু শীজিন্নবা খেন্নবগী মতুংইন্না মফম অমগা অমগসু শীনবগী চাং অসি অদুমক খেন্নে। মহৌশানা শীন্দুনা লৈরবা লৈহাও অসি অতোপ্পা মরমশিং, মরু ওইনা খূৎশেমগী হার য়ুরিয়া, ডাইমো, এমোনিয়ম সলফেট, এমোনিয়ম ক্লোরাইদ অসিনচিংবা হারশিং শীজিন্নবনা অমুক্কসু হেন্না শীলহন্দুনা লৈবাক শুবা নুংঙাইহন্দে, পাম্বী নিংথিনা হৌবা ঙমহন্দে। হারশিং অসি লৈবাক্তা হাপ্পা মতমদা মসিদা য়াওরিবা এমোনিয়মশিং থাদোরকই। মসিগা ওক্সিজেনগা য়ানশিন্নরগা নাইত্রিফাইং বেক্টেরিয়াগী মতেংনা ফ্রী ওইবা হায়দ্রোজেন থাদোরকই। মসিনা এসিদ শেমদুনা লৈবাক শীলহল্লি।

অসুম্না লিশাং শিৎনা হারশিং অসি শীজিন্নরকপা অদুগা হাপ্লীবা হারদুগী চাংগী মতুংইন্না হাপকদবা শুনুনা হাপহৌদবা তারগদি লৈবাক অদু অশীনবা লৈবাক ওইরকই। মরম অসি লৈবনা হাপ্লিবা হারগা চাননা হাপকদবা শুনুগী চাং খঙজিনবীদুনা মতম চানা শুনু হাপহৌদুনা ঐখোয়গী লৈবাকপু হেন্না শিনখিগদবদগী কলহৌবা য়াই। খুদম অমা য়েংসি। করিগুম্বা পি ঐচ ৫.৮ লৈবা লৈবাক অমদা লেপ্তুনা য়ুরিয়া চাইবা মতমদা চহী ৫গী মতুংদা পি ঐচ ৪.৯দা হন্থখিবা য়াই। মতমদুদা হান্নগী পি ঐচ ৫.৮দা হঞ্জিনহনবা মতমদা শুনু কা হেন্না য়াম্না চঙবা তাবনি। মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা করিগুম্বা নাইত্রোজেন কিলো ১ চাইবা মতমদা হায়বদি য়ুরিয়া কিলো ২.১৭ (য়ুরিয়াদা নাইত্রোজেন চাদা ৪৬ য়াওই) চাইবা মতমদা শুনু (কেলসিয়ম কার্বোনেট ওইনা) কিলো ৬ চাইবা তারবদি লৈবাক শীনবা হেনগৎহন্দবা য়াই। মণিপুরগী ওইনা লৌ পরি অমদা নাইত্রোজেন কিলো ৬০ হায়বদি য়ুরিয়া কিলো ৬০ x ২.১৭ = ১৩০.২ চাইবা মতমদা শুনু কিলো ৩৬০ চাইবা মথৌ তাই হায়বনি। অমরোমদা লায়থোক্লা হায়রবদা য়ুরিয়া কিলো খুদিংগী শুনু কিলো ২.৭৬ চাইরবদি লৈবাক শীনবা হেনগৎহন্দবা য়াই হায়বনি। মমাঙথক্তা হার শীজিন্নবা হৌরকপা মতমদা ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়াগী ওইনা হার চাইনবখক হায়রম্বা নত্তনা কনানসু হার চাইবা মতমদা শুনু চাইনবা হায়রমদে। মসি লৈবাক লৈহাওনা হারগী ময়াক খুদিংমকপু চমথোকহনবা ঙম্মী হায়না লৌনরম্বননি হায়বা তাই। অদুবু লৈবাক লৈহাও খুদিংমক্তা চমথোকহনবা ঙম্বগী মগুনসু খেন্নরিবনি। লৈতান লমনা চমথোকহনবা ঙম্বগী পাঙ্গল অসি লৈঙোই লমদগী হেল্লি। লৈবাক লৈহাওদা নিংথিনা পথু-পুমথরবা ওর্গানিক মেটর য়াম্না য়াওবা লৈবাক্তা অমুক হারনা শীলহনবদগী খরা মখৈ ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈ। মরম অসিনা লৈবাক্তা কম্পোষ্ট হাপ্পা অসি পাম্বীদা কান্নবা য়াম্না পীবগী মথক্তা লৈবাক শীলহনবা ঙম্বা মখলগী হার চাইবনা লৈবাক শীলহনবদগী কান্নবা মচাক অমসু ওই।

মথক্তা থল্লিবশিং অসিনা অয়াম্বা নাইত্রোজেনগী হারশিংনি। মসি নত্তবা ফোসফোরসকী হারশিং খুদম ওইনা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট, ত্রিপল সুপর ফোসফেটকী হারশিং অসিসু ফোসফোরিক এসিদ পুথোক্তুনা লৈবাক শীলহনবা ঙমই। দাইমো হায়নরিবা দাই এমোনিয়ম ফোসফেটসু লৈবাক শীলহনবা ঙমই। অদুবু সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতা শুনুগী চাং চাদা ২০ য়াওবা মরম্না অতৈদগী শাফবা ওই।




অসুম্না শুনু চাইদুনা নৎত্রগা ওর্গানিক মেট্টর মতিক চানা হাপ্তুনা লৈবাক শীন্দনবা থবক অমত্তা পায়খৎতনা লিশাং শিৎনা হার চাইবদগী লৈবাক লৈহাও শীনবনা করি অমাঙ অতা থোকপগে হায়বদু য়েংসি।

১) অশীনবা লৈবাক্তা নাপি হীদাক খরদি মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দে। খুদম ওইনা পারকুএট, ২-৪দি, ফেনোল অসিনচিংবা নাপি হীদাকশিং অসি অশিনবা লৈবাক্তা কা হেন্না চূপশিনখিবনা কান্নবা ইফং ফংদে।

২) নাইত্রোজেন য়াওবা এমোনিয়াবু পাম্বীনা লৌশিনবা ঙম্বা মওং নাইত্রেটতা ওন্থোকপা ঙম্বা নাইত্রিফাইং বেক্টেরিয়া অসি পি ঐচ ৫.৫গী মখাদা হিংবা ঙমদে। অসুম্না অসিগুম্বা হিংকুপ অসি হিংবা ঙমদবা লৈবাক্তা এমোনিয়াগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা লৈনুংগী ঈশিংদা মোৎশিল্লকপগী খুদোংথীবা লৈ।

৩) কান্নরবা হিংকুপশিং খুদম ওইনা নুংশিৎতগী নাইত্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা রাইজোবিয়ম অমদি এজোটোবেক্টর হায়রিবা অনী অসি পি ঐচ ৬তগী হন্থরবদি হিংবা ঙমদে। হিংকুপশিং অসিনা হিংবা ঙমদবা মফমদা পাম্বীশিংনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে।

৪। শম্না হায়রবদা হারনা শীলহল্লবা লৈবাক লৈহাওদা পাম্বীগী তঙাইফদবা মচিঞ্জাকশিং :-

ফোসফোরস, বোরোন, কোপর অমসুং জিঙ্ক হায়রিবশিং অসিনা পি ঐচ ৫.৫গী মখাদা লৈবা মতমদা অতোপ্পা মচলশিংগা য়ান্থোক য়ানশিন (রিএক্সন) তৌখিদুনা পাম্বীনা ফংবা ৱাৎলি।

৫) পি ঐচনা অসুম্না ৫.৫গী মখাদা লৈখিবা মতমদা মেঙ্গানিজগা আইরনগা ঈশিংদা তুম্বগী চাং হেন্দুনা পাম্বীদা হূ ওইহন্দুনা পাম্বী নিংথিনা হৌবা ঙমহন্দে।

ইশম শম্না হায়রবদা লেৱিস অমসুং দেভিসনা কুমজা ১৯৭০দা ফোঙদোক্লম্বদা, ওর্গানিক সোইল ওইগেরা মিনরেল সোইল ওইগেরা পাম্বীগী মচিঞ্জাক নিংথিনা ফংদুনা হৌবা ঙম্বা হায়বসি সোইল পি ঐচনা ৬.৫দগী ৭.৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা, কা হেন্নসু শীন্দবা, কা হেন্নসু য়াক্তবা লৈবাক লৈহাওদনা খ্বাইদগী হেল্লি হায়বসিনি।

থমজরিবা খরা অসি খন্থরগা অশীনবা হেনগৎহনবা হার মখলশিংসি চাইবা মতমদা মতম চানা শুনু খরা মথক্তা থমখিবা চাং হায়বদি নাইত্রোজেন কিলো অমগী চাং য়াওবা হার চাইবা খুদিংগী শুনু অসি (কেলসিয়ম নাইত্রেট ওইনা) কিলো তরুক চাইবা তঙাইফদে। মতাং অসিদা তঙাইফদনা খঙদবা য়ারক্ত্রিবসি হারশিংসিদা নাইত্রোজেনগী চাং কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বসিনি। নীংশিংজগে - য়ুরিয়াদা - কিলো ১০০দা নাইত্রোজেন কিলো ৪৬ য়াওই। দাই এমোনিঅম ফোসফেত্তা - কিলো ১০০দা কিলো ১৬-১৮ য়াওই। মসি খঙলবদি শুনু কয়া য়াম্না চাইগনি হায়বা খঙলে। অদুবু কৈদৌনুংদা হারগা শুনুগা য়ানশিন্নদুনা চাইবা য়াদে। শুনুদি পোৎ থাগদবা থা অমা ৱাৎলিঙৈ মতমদা চাইদুনা লৈবাক্তা খোইজিনবীহৌগদবনি। হার অয়াম্বনা পোৎ থারমদাই নত্রগা থারবা মতুংদা চাইগদবনি।

অমরোমদনা ওর্গানিক ওইবা হারশিং - ষন্থি-ষণয়ুংগী হার, কম্পোষ্ট, ভর্মিকম্পোষ্টনচিংবা হারশিং শেমদুনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবতা নত্তনা লৈবাক লৈশা ফগৎহনসি। শুবদা নুংঙাইবা, শীনবা হেনগৎপদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা, লৈহাও লৈবা, চাথোক পুথোকপা ঙম্বা লৈবাক ওইহন্দুনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইহনসি। ●